নুপীমচা ১ অনীরক এবোর্শন তৌহল্লম্বা মীওই জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২(ঐচ এন এস):

মশা-মশা য়ানদুনা নুংশিনবনি হায়রগসু লুহোংদ্রিঙৈদা য়ূম্বানবগী মরী থমদুনা অনীরক এবোর্শন তৌহল্লম্বনি হায়বা মীওই অমনা বেল পীবীয়ু হায়জরকখিবা প্রেয়র রিজেক্ট তৌরগা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

ঙসি স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ইষ্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মীওই অদুগী মমিং কে ঐচ য়ুনুশ (২৪) কৌই। ক্যামগৈ অৱাং-লৈকাইদগী এম দি সিরাজ অহম্মদকী মচানুপানি।

মহাক্কী মথক্তা নুপীমচা অদুগী অপোকপনা থা অসিগী ৮দা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌরকখিবনি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মহাক্কী মথক্তা পুলিস ষ্টেসন অসিনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ৪ অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩১২/৫০৩গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর- ৩৪ (১১) ২০১৯ রেজিষ্টর তৌরগা লৌখৎখিবনি। অদুগা মহাক রিপোর্ট তৌরকপা নুমীৎতুমক্তদা ফারগা মথংগী নুমীৎতা কোর্টতা পুথোক্লগা ঙসি ফাওবদা নুমীৎ ৪নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌদুনা থল্লকখিবনি।

অদুবু ঙসি মহাক্কী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোয়রদুনা কোর্ট অসিদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা পুথোরকখিবনি। মসিদা কে ঐচ য়ুনুশকী মায়কৈদগী মহাকপু বেল পীবীনবা হায়জরকখিবনি। অদুবু কোর্টনা মহাক্কী বেল প্রেয়র অদুগী হিয়রিং চথরগা রিজেক্ট তৌরবা মতুংদা মহাকপু জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, মহাক্না য়ূম্বানবগী মরী লৈনরম্বা নুপীমচা অসি চৎলিবা কুমজাসিগী মার্চ ৫ অমসুং ওগষ্ট ১৭তা মহাক্না টেব্লেট পীজদুনা অনীরক এবোর্শন তৌখ্রে হায়রি।

অমিট শাহগী...

লামায় ১গী মখা... য়াওহন্নবা পাউ ফাওনরি। সঙাই ফেষ্টিভেলদা মপান লমগী মীওই কয়াসু লাক্লিবনি। ষ্টেটসিদা হৌজিক মপান লমগী লম কোয়বা মীওই লাকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি। মপান্দগী লাক্কদৌরিবশিংদা অকি-তুজুংবা য়াবা থৌওং তৌবীগনু। ফেষ্টিভেল অসিদা মপান লমদগী মীওই কয়াসু লাক্কদবা মরম্না দিষ্টর্ব তৌবীগনু। ষ্টেটসিদা ঈং-তপ্পা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবা খন্নসি। ষ্টেটসিগী য়াইফনবগীদমক অহিং-নুংথিল খায়দনা হোৎনরি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগীদমক ষ্টেট এসেম্ব্লীনা মমাঙদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিগী মতমদসু টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটিগীদমক অনীরক ৱারেপ লৌখ্রে। হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদদি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা পীরক্লিবা থাজবসিদা লৈঙাক্লসু থাজবা থল্লি। তঙাইফদ্দবা ফীভম লাক্লবদি এসেম্ব্লীগী মীফম কৌরক্কনি অমদি মীয়ামগা তানবগী তাঙ্কক কয়াসু লাক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংসু শরুক য়াখি।

য়ু এন এল এফকী হান্নগী...

লামায় ১গী মখা... লোয়ননা হৌজিকমক্কীদি ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মখোয়গী মায়কৈদসু স্পেক্যুলেসন তৌরুবা হায়বসি প্রি-মেচ্যুর ওইগনি খল্লি। অদুম ওইনমক কোন্নদি শোয়দনা খঙনরক্কদবা লৈরবা সিচুয়েসন অমগী মখাদদি শোয়দনা ওইগনি হায়রকখি।

ৱাফমসিদা পাউচেসিনা সিচুয়েসন অসি করম্বা মখলগী সিচুয়েসননো, হৌজিক মণিপুরদা চথরিবা ঈহৌগী সিচুয়েসন অসিগী মতাংদা ওইগদ্রা হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদদি জেনরেল সিচুয়েসন অমা ওইরিবা লৈবাক্কী ওভরওল সিচুয়েসন অসিগী ওইগনি খল্লি হায়বদগী হেন্না মখা তারকখিদে।

অদুম ওইনমক টেলিফোনদা ৱারী শানবা য়াদুনা শানরিবা অসিনসু মখোয় কৈসু তৌদনা লৈরি হায়বা তাক্লবনি হায়রকখি। অদুবু হান্নগী চেয়রমেন মশামক, মহাক্কী মচানুপা ১ অমসুং কাউন্সেল মশাগা পূন্না লৈরিব্রা, মফম্না কদাইৱাইদনো হায়দুনা হংখিবগী পাউখুমদদি মখোয় অথুবা মতমদা তেক্ত-কায়দনা হল্লক্লগনি হায়বদগী হেন্না অতৈদি ফোঙদোরকখিদে।

পনবা য়াবদি, য়ু এন এল এফকী হান্নগী চেয়রমেন অসি জুদিসল কষ্টদিদগী হেক রিলিজ তৌরকখিবগা এম ঐচ এগী কাঙবু অমনা গুৱাহাটিদগী পুদুনা চৎননবা হোৎনরকখিবনি। মসিদা মহাক্কী মচানুপা অমসুং কাউন্সেল অসিনা কন্না ওবজেক্সন তৌবদগী গুৱাহাটিদা থল্লক্লগা মখোয় অহুম্মক ঙরাং মফম অদুদগী এরোপ্লেনদা হায়দোক্তবা মফম অমদা পুখিবনি।

ঙসি ফাওবা য়ূমদা হল্লক্ত্রিবা হান্নগী চেয়রমেন অসি হৌখিবা কুমজা ২০১০গী সেপ্টেম্বর ২৯দা বাংলাদেশকী মফম অমদা কার তোংদুনা চৎলিঙৈদা ফাখ্রে হায়না বি বি সীনা রিপোর্ট তৌখিবনি। রিপোর্ট অসিগী মতুং তারকপদা মহাকপু বিহারগী মোতিহারি দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদগী ফারে হায়না চহীদুমক্তদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফের্স (এম ঐচ এ)না ওফিসল ওইনা লাউথোরকখিবনি। মহাক অমসুং মহাক্না লোয়ননা ফামিন্নখিবা মীওইশিংগী মথক্তা এন আই এনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অসিগী ৱায়েলদা মহাক এন আই এগী স্পেসল কোর্টনা চহী ১০গী কনভিক্সন পীখিবনি। অদুবু রিমিসন তৌখিবা নুমীৎশিং খায়দোকখ্রগা হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা জুদিসল কষ্টদিদ্দগী রিলিজ তৌখিবনি।

মণিপুর অমদি নাগালেন্দগী মীয়াম...

লামায় ১গী মখা... খুদিংমক নুংশি চান্ননা পূন্না লৈমিন্নসি হায়বগী পাউজেল পুরদুনা মণিপুরদা লাকপনি হায়না ফোঙদোকখি। মখা তারকপা ওইনা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবি নাগা মাদর্স এসোসিয়সনগী প্রসিদেন্ট আবি নারুনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরী খুদিংমক অমদি নাগালেন্দগী মীপুম খুদিং ঈং-তপ্না লৈমিন্নসি অমদি ষ্টেট অনীসিগী মরক্তা ঈং-তপ্পগী মরী থম্নবগী পান্দমদা মণিপুরদা লাকপনি। ঐখোয় পুম্নমক ইচিন-ইনাও ঙাক্তনি কায়নবা য়ারোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মীফম অদুদা কোকোমিগী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখিবা খুরাইজম অথৌবানা হায়, নাগা মাদর্স এসোসিয়সনগী এদভাইজর য়াওনা নাগালেন্দগী ঈমা ৬না পিছ টোককী ৱারোইশিনদা লাকনিংবা ফল লাকসনু। অদুবু ষ্টেট অনীসিগী য়েলহৌমীশিংনা চহী চা কয়াদগী ঈংনা তপ্না লৈমিন্নরকপগুম মণিপুর অমদি নাগালেন্দগী মীয়াম্না পিছ ওইনা লৈমিন্নসি হায়বগী পাউজেল পুরদুনা লাকই তাবদগী কোকোমিগী মায়কৈদগীসু উনবা তঙাইফদে হায়না ইচম চম্না মখোয়গা উনদুনা ৱারী শাবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন -আই এমগী মরক্তা চথরিবা পিছ টোককী ৱারোইশিন অথুবা মতমদা পুরক্তুনা নাগালেন্দগী মীয়াম্না ঈংনা চিক্না লৈবা মণিপুরগী মীয়াম্নসু পাম্মী হায়না মণিপুরগী ঈমা মৈরা পায়বী অমদি কোকোমিগী মায়কৈদগীসু নাগালেন্দগী ঈমাশিংদা ফোঙদোকখি। তৌবতবু ৱারোইশিন অদুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হনবিরক্কনু হায়বসিনি। করিগুম্বা ৱারোইশিন অদুনা নম্ফুদা মণিপুর কায়নবা শিল্লক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্ত পুম্নমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থৌদাং পুগদবনি হায়বসি কোকোমিগী ওইনা য়াম্না ময়েক শেংবা ফিরেপনি।

ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়, মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা এসেম্ব্লি সেসন অমা কৌবগী মথৌ তাদে হায়রিবদু কোকোমিনদি অখন্নবা এসেম্ব্লিগী সেসন অমা কৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খিবনি। হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা কোকোমিগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্না অখন্নবা এসেম্ব্লিগী সেসন অমা কৌদ্রিবা ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্না ৱারী শান্নরোই হায়খিবা লৈখ্রবনি। মদুগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবা মিদিয়াগী থোংদা পাউ ফাওনগনি, পর্সেনেল ওইনা পাউ ফাওনরোই অমদি উনরোই হায়দুনা ঙসি ফাওবা উনদুনা ৱারী শাখিবা লৈত্রি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক্না মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না অখন্নবা খোঙথাং হেক লৌখৎলক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা হান্নগুম কোকোমি অমদি মণিপুরগী মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখিগনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা এসেম্ব্লিগী সেসন অমা কৌবগী মথৌ তাদে হায়বগী মীয়ামদা চপ চাবা মরম পীদুনা ৱারোইশিন পুরকপদা পামদবা, তম্বা ঙমদবা থৌদোক অমা হেক থোক্লকপা মতমদা মদুগী রেসপোন্সিব্লিটি পুম্নমক মণিপুর লৈঙাক্না পুরগনি হায়বগী অইবা চে থাদোক্তুনা মীয়ামদা লাউথোক্কদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থোকচোম মেঙ্গোরগী ইমুংদা লীসনা...

লামায় ১গী মখা... অমদা তম্লম্লগা মখা তানা মহৈ তমখিদ্রে। মচানুপী মেম্মনা পীক্লিঙৈদা য়াঙ চিংবদগী হান্না ৱা ঙাঙবা ঙম্লম্লবসু হৌজিক্তি ঙমখিদ্রে। মসিগী মতুংদা অমুক মৈ তীকপদা মৈনা চাকখিবদগী চৎপা ঙমদদুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

নোংমগী অফৎ-অফংবা থবক শূরগা ইমুং-মনুং পুনবা হোৎনবতা নৎতনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা মেঙ্গোরনা হিংলিবা পূন্সি মহিংগী মওং-মতৌ উৎপা ভিদিও অমা সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকপা থেংনবদগী ঙসি লীসনা ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট সৌবাম অনিল অমসুং ফাউন্দেসন অসিগী মেম্বরশিংনা খোংজোম লাইবুং লৈকাইদা লৈবা থোকচোম মেঙ্গোরগী য়ূমদা হকথেংননা চৎতুনা মহাক অমসুং ইমুং-মনুংগী মীওইশিং উনদুনা ফি-রোল, চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি শেল ওইনা লুপা ১০,০০০ তেংবাংখিবনি।

লীসনা ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী তেংবাংলকখিবা অদুগীদমক্তসু অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা থোকচোম মেঙ্গোরনা অপেনবা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচানা লুচিংবা টিম অমনসু খোংজোম লাইবুং লৈকাইদা লৈবা থোকচোম মেঙ্গোরগী ইমুংদা লাক্লুনা চান-থক্লবা অমদি নুমীৎ খূদিংগী শীজিন্নবা পোৎলম কয়া তেংবাংখ্রে হায়রি।

নোংমৈ ফাগৎখ্রে

লামায় ১গী মখা... পার্টটুগী তুরেল মপান্দা লোৎতুনা লৈরম্বদগী ফংবনি হায়রি। ফারবা পোৎলমশিং অদু লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। অমরোমদা ঙরাং অয়ুক পুং ৯.৪০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমদি নুপী পুলিস য়াওবা কম্বাইন টিম অমনা ইম্ফাল ইষ্টকী উয়ুম্পোক কৈথেলদা থি-হুম্বা চথখ্রে। ওপরেসন অদুদা কে ৱাই কে এলগী নুপী কাদর অমা ফারে হায়রি। ফারবা কাদর অদুগী মমিংনা সগোলশেম নিংঙোল য়ুমখায়বম ওংবী ননাও এলিয়স মলেমঙানবী (৩৮) মপুরোইবা ৱাই দোল্লর এলিয়স উসেন্তো কৌই। মহাক উয়ুম্পোক মনিং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

বেবিসনা মীশি : কোর্টনা রোবিন্সনগী...

লামায় ১গী মখা... মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পাঙথোকখি। হিয়রিং অসিদা এপ্লিকান্ট রোবিন্সনগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা বিল্ডিং তোঙানবা স্কুল অসি অনী থোকই হায়রিবসিগী স্কুল অমমম্গী টিচিং, নন-টিচিং ষ্টাফনচিংবগী মমিংশিং য়াওবা লিষ্ট (এনেক্সর) অনী কোর্টতা সবমিসন তৌখি। লোয়ননা বেবিসনা লৈখিদবা হোষ্টেল অসি নৎতবা মমিং মান্নবা অতোপ্পা স্কুল বিল্ডিংগী ষ্টাফশিংগী লিষ্টতা সেরিয়ল নম্বর-৭ তা য়াওরিবা রোবিন্সনগা থৌদোক অসিগা মরী লৈনফম থোকপ্রা, রোবিন্সননা পুরিবা স্কুলসিগী পোষ্ট অসিগী মথক্তা অতোপ্পা পোষ্টশিংসু লৈরি হায়খি।

লোয়ননা পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলিবা কেস অসিগী সেক্সনশিংগী মনুংদা য়াওরিবা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২ অমসুং ৩০৫ অসি পূন্না চৎপা (চার্জ) তৌমিন্নবা য়াব্রা হায়বগী ৱাফমসু কোর্টতা থমখি।

অমরোমদা, রোবিন্সন হান্না ক্রিমিনেল কেস অমত্তদা চেন্নখিদবা মীওইনি। মহাক্কী লোয়নবী মেদিকেল প্রাক্টিস্নর অমা ওইবগী মথক্তা পীক্লিবা মচা ২ লৈরি। অদুবু জেলদা থা ৩ হেন্না থমজিল্লকপনা মহাক্কী মশাদা সাইকোলোজিকেল দিস-ওর্দরগী প্রোব্লেম মায়োক্লবা হৌরে। মসিগী মতাংদা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাগী সুপরিন্টেন্দেন্টতগী মেদিকেল রিপোর্ট কৌবীয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা বেল হিয়রিং অসিগী মখা তাবা শরুক থা অসিগী ২৭তা পাঙথোক্লবা লেপখি।

পনবা য়াবদি, ফৈরোইজম রোবিন্সন কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা জুলাই ২৯গী নুমিদাং পুং ৯.২৫ রোম তারকপদা ফাখিবনি। অদুগা থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎখিবা কেসকী এফ আই আর নম্বরনা ১৩৮ (৭) ২০১৯ অন্দর-সেক্সন- ৩০৫/ ৩৪/ ৪২০/ ৩০২ আই পি সী অমসুং ৭৫ জুবেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্টনি।

অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ পাঙথোকখ্রে...

লামায় ১গী মখা... কামেংগী লৈমরোক্তা লৈবা প্রিপাককী ট্রাঞ্জিট কেম্প অমদা হৌখিবা কুমজা ১৯৭৮গী নবেম্বর ১২ নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ূক অঙনবদা মণিপুর পুলিস অমসুং সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট নরেন্দ্র পালনা লুচিংবা টিম অমগা চুংশিন্নরবা অপূনবা ফোর্স অমনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা অকনবা মওংদা লান্দাশিল্লকখি। লোয়ননা মফম অদুদা লৈরম্বা নীংতম য়াওল্লোয় অহুম পূন্সি পীখম্নখি। কংলৈপাক্কী নীংতম য়াওল ঈহৌগী পুৱারীদা অহানবা থৌদোক ওইনা কামেং চীংদা ইন্দিয়াগী কম্বাইন্দ ফোর্সকা লান্থেংনবদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা অথৌবা অহুম অসিবু নীংশিংবা ওইনা নবেম্বর ১২বু কুমজা ১৯৭৯দগী অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ হায়না পাঙথোক্তুনা লাকখি। চঙশিল্লক্লিবা নীংতম য়াওলগী লাঞ্জিং অসি মখা তানা কুমজা ১৯৮৫গী নবেম্বর ১২গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ রোম তাবদা কবো ৱাকচিংদা লৈবা সুগর মিলবু ঙাক শেনবগী থবক তৌরিবা তরেৎশুবা মণিপুর রাইফলসকী পোষ্টতা লৈবা এম আর কাঙবুশিং খুদুম চন্দুনা নোংমৈ লৌনবা হোৎনখি। অদুবু খঙহৌদনা এম আর পোষ্ট অদুবু সন্ত্রি তারিবা এম আর অমনা খঙলাক-খঙজিন ওইনা কাপথোরকপা অশোয়বা নোংমৈ মৱ্দ অমনা লূপ অসিগী লুচিং পুরেল আর কে তুলাচন্দ্র মফম অদুমক্তদা পূন্সি পীখম্নখি। লুচিং পুরেল আর কে তুলাচন্দ্র লৈখিদ্রবা মতুংদগীদি লাইবক থীবা থৌদোক অনী (কুমজা ১৯৭৮গী নবেম্বর ১২গী কামেংগী থৌদোক অমসুং কুমজা ১৯৮৫গী নবেম্বর ১২গী কবো ৱাকচিংগী থৌদোক) অসিবু নীংশিংদুনা নুমীৎ অসিবু অমত্তা ওইনা লৌরগা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিং পুম্নমকপু শুপচিল্লগা নবেম্বর ১২বু প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মিনা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ হায়না ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্লবা ইরৈবাক্কী নীংতম য়াওলগী পুৱারীদা য়াম্না লাইবক থীবা অমদি থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা নুমীৎ অসিনা লাকপদা প্রিপাকনা লিশাং শীৎনা চঙশিন্দুনা লাক্লিবা নীংতম লাঞ্জিং অসি ঐখোয়গী নীংতম্বা অমদি মান্নবা খুন্নাই হায়বা পন্থুং অদু ফংদ্রিবা ফাওবা হনবা লৈতনা লান্থেংনখিগনি হায়না লৈবাক মীয়ামদা অমুক্কা হন্না নীংশিংজরি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা ইরমদম কংলৈপাক্তা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপচা পুম্নমক অসি চপ মান্নবা মফম অমত্তদগী পূন্না খুন্থোকমিন্নরকপা হৌরকফম অমত্তনি হায়বসি মৈহৌরোলদগী লৈরকপা লমদমসিগী চীন্থাং ৱারী অমসুং অইবা পুৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্লি। অসিগুম্বা লমদমসিগী ফুরুপচাশিংগী পূন্না হিংমিন্নরকপা, পূন্না চাউমিন্নরকপা, অপূনবগী শক্তম অসিবু হৌজিক চথরিবা য়ু জি গ্রুপ অমগী ঈং-তপ্পা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী মরুমদা মখোয়গী মপূ বৃটিশনা তন্বীরম্বা দিভাইদ এন্দ রুলগী থৌশিল অদুম্মক চথদুনা মচেৎ কয়া থোক্লা থুগায়নবা খোঙথাং লৌখৎলক্লি। ইন্দিয়ানা হান্নদগী হৌনা পরিং নাইনা চথরক্লিবা থৌশিল অসি ঐখোয়না অঙম্বা পান্থে অমসুং অফংবা খূৎলায় পুম্নমক শীজিন্নদুনা মায় পাকহন্দনবা মায়োক্লফম থোকই। মখোয়গী অপাম্বদি লমদম অসিদা অকক্লবা ফুরুপ নৎত্রগা কাঙলূপকী লম নৎত্রগা লৈঙাক শেমদুনা মতম শাংনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরক্লবা মচিন-মনাও ওইবা ফুরুপচাশিং অসি মশেল তুম্না হাৎনহন্দুনা অপীকপা চীংলৈপাক অসিগী ফুরুপচাশিং অসি মালেমগী লৈমায়দগী মৱ্দ ফংনা মুখুৎতুনা হাঙহৌরবা মফম অসি মখোয়না মেনশিন্দুনা ইরমদম অসি মতম চুপ্পগী ওইনা মপূং ফাবা হিন্দু লৈবাক অমা ওন্থোকপনি। থৌদোক অসি মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা লংজবা মরালনি। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জা অসিদা ঐখোয়না ইন্টরনেসনল লো অমসুং মালেমগী ফোরমদা মীৎয়েং থম্ফম থোকই হায়রি।

অরোইবদা ঙসি অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ অসিবু লমদমসিগী মীয়াম হুপ্না শরুক য়াবীদুনা নীংতম য়াওল লান্থেং অসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী নীংশিং খূভমদা লৈ কৎপদা নৎতনা য়ূমথোঙ খূদিংদা মৈরা কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎপীখিবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমসুং রেদ আর্মিশিংনা প্রিপাকনা পাল্লিবা নীংতম্বা, চাউখৎপা অমসুং মান্নবা খুন্নাই হায়বা পন্থুং অদু ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা ইন্দিয়াগী মথক্তা নীংতম লান্থেং চত্থখিগনি হায়নসু প্রিপাককী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিল্লুনবা কোংগ্রেস এম এল এশিং...

লামায় ১গী মখা... ওইখ্রগনি। মণিপুরসু ইন্দিয়ানা মতম অমদা টেরিটোরিয়ল কাউন্সীল ওইনা থল্লম্বনি। টেরিটোরিয়ল কাউন্সীলদগী ঙসিদি ষ্টেট ওল্লক্লিবসিনি।

ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা পিছ টোক চথরিবসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী শক্তম হিরম অমত্তদা শোকহনবা য়ারোই। ষ্টেটসিদা হৌজিক তংদু-লৈতাদবা ফীভম অমা চাউনা মায়োক্লরে। মণিপুরগী অপূনবা শরুক্কী চাদা ৯০ দি চীংগী লমনি। শুপ্পগী চাদা ১০ খক্তমক তম্পাক্কী লম ওইরি। ফীভমসিদা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা লমদমসিগী শক্তমদা শোকহনবা য়ারোই। করিগুম্বা শোল্লকপা তারবদি অপূনবা শক্তম খক্তা নত্তনা তুংদা হিরম কয়াদা অৱাবা ফীভম মায়োক্লরক্কনি। ওইরক্লিবা ফীভমসিদা লৈঙাক্না নীংথিনা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি। মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং হান্না কনষ্টিট্যুসন্না প্রোটেক্সন পীরগা লৈরিবনি। চীংগী লমশিং কনাগুম্বা অমত্তনা লৈবা য়াবা নত্তে। চীংগী লমদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎকে হায়রবসু ষ্টেট লৈঙাক্কী খুত্থাংদা চীংগীদমক ইয়ার মার্ক তৌরগা অদুম্মক থাদরকপা য়াই। হিরম অমত্তদা চীংগী থাদরকপা শেল অতোপ্পদা খায়দোকপা য়াবা নত্তে। চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলকপা খুদিংমক্তি অকায়বা লৈতে। অদুবু মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা হৌজিক অমদি তুংদা শোক্লকপা য়াবা ৱাফমশিংদি হিরম অমত্তদা য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

এন এস সী এন-আই এমদা মণিপুরদগী য়াওরিবশিং ইচিল-ইনাও ঙাক্তনি। চাউখৎ থৌরাংগী মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎচবা অমদি য়াইফবা পুরকপা হায়বসি অপাম্বনি। অদুবু চহী লিশিং কয়াগী মমাঙদগী পুন্না হিংমিন্নরক্লবা লমদম অসিগী অপূনবা শক্তমদি হিরম অমত্তদা শোকহনবা য়ারোই। মসি কোংগ্রেসকী চপ চাবা ফিরেপনি। টেরিটোরিয়ল কাউন্সীলনচিংবা শেমখিবা তারবদি ষ্টেটসিগী ফীভম হৌজিকমক শোক্ত্রবসু কোন্না ষ্টেটসিগী মনুংদগী অতোপ্পা ষ্টেট অমা শেমখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈগনি। মসি য়াফম থোক্তে। কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এশিং হয়েংদগী দিল্লিদা চঙদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর উনদুনা তকশিনগনি। এ আই সী সীগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীসু উনদুনা তকশিন্নবা শেম-শারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এ আই সী সীগী সী দব্লিয়ু সী মেম্বর গাইখাঙম অমদি এম এল এশিংসু শরুক য়াখি।

চেকশিন মীফমগী খোঙজংসু পাক শন্না চথরি, থোমজিনবসু লেপত্রি...

লামায় ১গী মখা... পাওনম ব্রোজেনগী য়ূম তম্না থোমজিল্লকখি। মশীং য়াম্লবা মীয়াম অদুনা এম এল এগী য়ূম হাইজিনফম মপা য়ৌরকপদা পুলিসনা থৎখিবগা লোয়ননা টিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপ্তুনা মীয়াম অদু তানখায়খি। মীয়াম্নসু হনবা লৈতনা অমুক হন্না থোমজিল্লকপদা পুলিসকা চাউনা মুক্লখি। মুক্লবা অদুদা খোইশাউনরবা মীয়াম্না মখুৎতা পায়রম্বা মৈরা লংশিল্লকপা অমদি নুঙ থাজিল্লকপদা পুলিস পর্সনেল অমা অশোক-অপন নংখি। মৈরা রেলি লাকখিবশিং অদু তানখায়নবা টিয়র গ্যাস সেল কাপ্পদা অশোক-অপন য়াওখিব্রা নৎত্রগা য়াওখিদব্রা হায়বদুদি পাউ অসি ফোঙবা মতম ফাওবদা চপ চানা খঙবা ঙমখিদে। অদুম্মকপু খোঙজংলোয় ১০দি পুলিসনা ফাজিনখ্রে হায়রি।

মীওই ২০০০ রোম্না চৎখিবা মৈরা রেলি অদুদা “মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই”, “ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী কাঙলুপ নাইবা থৌশিল য়ানিংদে”, “লোং লিভ মণিপুর” হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি। মখা তারকপা কোকোমিগী খোঙজংশিংদসু ওল ৱাংজিং য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়নসু খোঙজংলোয়শিংনা ফোঙদোকখি।

কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা শীন্দুনা কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি খুরাই এ সীগী এম এল এ, এল সুসিন্দ্রো, ৱাংখে এ সীগী এম এল এ, ওক্রম হেনরি অমদি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী য়ূমদা থোমজিনখ্রে।

খুরাই লম্লোংদা লৈবা সঙ্গীত কলা সঙ্গমদা মীয়াম পুল্লবা তুংদা এম এল এ, এল সুসিন্দ্রোগী য়ূমদা হান্না থোমজিনখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা খুৎয়েক পীনদুনা ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবসিগী ফিরেপ খঙহল্লু, এসেম্ব্লী মীফম কৌদুনা ৱারেপ লৌ হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা লাকখিবা মীয়াম অদু পুলিসনা এম এল এ, এল সুসিন্দ্রোগী য়ুমগী থোঙ্গাল মপাদা থৎতুনা থল্লগা মীওই খরা এম এল এগী য়ূমদা চঙহনখি। এম এল এ মশা লৈতবা মরম্না ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা ৱারী শানখি। ৱারী শানবা অদুদা এম এল এ সুসিন্দ্রোগী মায়কৈদগী এসেম্ব্লি কৌনবা ৱাফম পুখৎলগনি। মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বা ফিরেপ লেংদনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

তুংদা মীয়াম্না হট্টা লম্বীরোমদা লাক্লগা বাবুপারাদা লৈবা এম এল এ ওক্রম হেনরিগী ক্বার্টর তম্না লাকখি। অদুবু কোনুং মমাঙ য়ৌরকপদা পুলিসনা চংহনখিদে। মফম অদুদগী পুলিসনা মীহুৎ খরা এম এল এগী ক্বার্টর তম্না পুদুনা উনহনখি। উনবা অদুদা এম এল এ হেনরিনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক মশামক মীয়ামগীদমক লেপ্লি। মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়না লেপ্লি। অথুবদা এসেম্ব্লি ফম্নবা তকশিনগনি হায়নসু মহাক্না থাজবা পীরকখি হায়রি।

তুংদা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী য়ূমদা থোমজিনখি। মতম অদুদা এম এল এ মশাদি য়ূমদা লৈরমদবা মরম্না ইমুং-মনুংগী মীওইশিং উনখি। টেলিফোনগী খুত্থাংদা এম এল এগা ৱারী শানখি। এম এল এগী মায়কৈদগীসু মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা চপ চানা থেংনগনি। এসেম্ব্লীগী মীফম কৌনবা তকশিনগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

কোওর্দিনেটিং কম্মিটি খুরাইগী ৱাঙাংলোয় বোন খুরাইনা ফোঙদোকখিবদা, পিছ টোকনা মণিপুর মীয়ামগী ৱাখলদা লৈতাদবা, চরাংনবা অমা থোকহল্লি। মীয়ামগী মীহুৎশিংনা পিছ টোককী মতাংদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লাউথোক্কদবনি। মীহুৎশিংগী ফিরেপকী মতুংইন্না মীয়ামগা খুৎশম্নুনা চৎমিন্নবা মতম ওইরে। অথুবদা মণিপুর এসেম্ব্লীগী মীফম ফমদুনা অমত্তা ওইবা ফিরেপ লৌরগা সেন্টরদা তকশিন্নবা হোৎনবীয়ু। থা অসিগী ১৪ দসু মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা খুরাইগী মফম পুম্নমক্তা চৎকনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি নাগা লালহৌলূপশিংগী মরক্তা ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরদা হীরম অমত্তদা শোকহনবা য়ারোই হায়দুনা ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে। ককচীংগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না ককচীং এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী এম এল এ সুরচন্দ্রগী য়ূমদা থোমজিন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথরিবা নাগা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ঙমখৈ, এদমিনিষ্ট্রেটিভ, সোসিও ইকোনোমি অমদি কলচরেল সেট-অপতা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা শোকহনগনু হায়দুনা ৱাকৎ ৱারোল পীশিনবা, ৱাঙু লুপা মরুপ কৈথেল শঙদা সুগু এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎ মশামক য়াওনা চেকশিন মীফম ফমখ্রে। পাঙলতাবীদসু মীয়াম্না চেকশিন মীফম চথদুনা কোকোমিগী থৌমীশিংনা ৱা ঙাঙদুনা মীয়ামগা ৱাখল তামিন্নখ্রে।

জোইন্ট নন-গভর্ণমেন্ট ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভি ও) ককচীং, ওল ককচীং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অক্সু), য়ুনাইটেদ ওর্গনাইজেসন ককচীং, ট্রেদিসনেল বাউন্দরি প্রোটেক্সন কম্মিটি ককচীং, ককচীং কৈথেল অপূনবা ইমা লূপ অমদি ককচীং লমখাই বজার বিজিনেস ৱেলফেয়র বোর্দনা শীন্দুনা ককচীং শঙ্গাইয়ুম্ফমদা লৈবা য়ূম্বীমচা হায় স্কুল গ্রাউন্দদগী হৌদুনা ককচীং কৈথেল ফাওদুনা চৎলবা মতুং ককচীং এ সীগী এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রগী য়ূম তম্না থোমজিনখি। অদুম ওইনমক মীয়াম অদুবু ককচীং পুলিসকী কাঙবু অমনা লম্বীদা থৎতুনা থল্লগা খোঙচৎ অদুগী লুচিংবা মীওই ৬/৭ খনগৎতুনা এম এল এগী য়ূমদা চঙহনখি। অদুম ওইনমক এম এল এ মশাদি দিল্লিদা লৈখিবনা এম এল এগী ইমুং-মনুংগী খুত্থাংদা ৱাকৎ ৱারোল অমা পীশিনখি।

তুংদা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু ককচীং কৈথেল তম্না অমুক হল্লক্তুনা ককচীং কৈথেলদা অমুক হন্না খোল্লাউ কয়া লাউমিন্নখি।

ৱাঙু লুপা মরুপ কৈথেল শঙদা সুগু এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎ য়াওনা মীয়াম্না চেকশিন মীফম ফমখ্রে।

কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ৱাঙু, ৱাঙু দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি সুগু ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা চথখিবা মীয়ামগী চেকশিন মীফম অদুদা মীয়াম্না চহী লিশিং ২ হেন্না লৈরক্লবা চীংবুরোই-তম্বুরোই অনীগী মরী থদৎপা য়ারোই, দিসক্লোজ দ কন্টেন্টস ওফ ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট, ষ্টোপ দিভাইদ এন্দ রুল হায়বনচিংবা ৱারোল ইবা প্লেকার্দ পায়খি।

চেকশিন মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, মণিপুরদা পাল্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী থম্মোয়দা চিংনরিবা কয়া অসি কোক্লনবগীদমক্তা চেকশিন ৱারেপ লৌদুনা এম এল এ ময়াম দিল্লি চৎমিন্নদুনা থোঙ থিনমিন্নরুসি অমসুং এসেম্ব্লি মীফম অমা কৌ হায়বা য়াদ্রিবা অসিনদি লৈবাক্কী ঈৱাংদগী ফম্না হেন্না লুরব্রা হায়নিংই।

সেন্টরদসু ষ্টেটতসু বি জে পিগী লৈঙাক লৈরগা হোম মিনিষ্টর উনরুরে, হোম মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লে, মণিপুরদা করি অমত্তা শোকহল্লোই হায়দুনা বি জে পিগী রুল্লিং পার্টিনা লাউদুনা অসুম লৈবগী মহুৎতা বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা এম এল এ ৪০না ঐখোয় ৪০না মণিপুরদা করিগুম্বা অমত্তা শোকহল্লোই, ঐখোয়না মদুগী থৌদাং লৌরে, মণিপুরগী মীয়াম অমদি সী এস ওশিং ঈৱাং হৌবীরগনু হায়না লাউথোকপীয়ু। মদু ওইরবদি লৌবুক্তা থবক শূজগদবা মীয়াম, স্কুলদা মহৈ তমজগদবা মহৈরোয় কয়ানা লম্বীদা থোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি লেপচখ্রগদবনি।

কোংগ্রেসকী এম এল এ ২০দি মীয়ামগীদমক লেপ্লি, মমাংথক্তা কুমজা ২০১৫দা মুইভা চঙহন্নবা মতম অদুগী সেন্টর লৈঙাক্না মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহল্লকখ্রবসু মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না মুইভা চঙলকপা য়ারোই হায়না কন্না লেপখিবা অদুগী হৌনা ঙসিসু এন এস সী এন-আই এমগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর শোকপা য়ারোই হায়না লেপ্লি। কোংগ্রেসকী এম এল এশিং দিল্লিদা চৎতুনা নেসনল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংদা তকশিন্নবসু হয়েংদগী দিল্লিদা চঙশিন্নরগনি। মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌখিগনি। মহাক মশা ফম থাদোক্লগদি মণিপুরগী ঙমখৈ কায়রোই হায়রবা, মীয়াম্না খূদক্তা ফম থাদোকউ হায়রবদি খূদক্তা এম এল এগী ফম থাদোক্কে। ফম্না মীয়ামদগী লুম্না লৌদে হায়নসু এম এল এ রঞ্জিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোকোমিগী লমজিং মখাদা লাংমৈদোং মমাং লৈকাই মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিংনা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা চেকশিন মীফম ফমখি।

অমরোমদা, ইন্দো-নাগা পিছ টোককী মনুং চনবা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অসিদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হল্লকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ। মরম অদুনা ইরমদমগীদমক থৱায় ফাওবা থাদোক্তুনা ঐখোয় পূন্না থেংনগদবনি হায়না ৱাংখেম এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

য়াইরিপোক এরিয়াদা লৈবা ক্লব ১৬কী অপূনবা এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা জেইন্ট কম্মিটি ওন পীপলস ৱেলফেয়র য়াইরিপোক, জে সী পি দব্লিয়ু ৱাইনা শীন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথরিবা নাগা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়না ঙসি য়াইরিপোক বজারদা মীয়াম্না চেকশিন মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনবদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসিগী চেকশিন মীফম অদুদা মীয়াম্না মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই, ঐখোয়না অপূনবগীদমক লেপ্লি, ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা দিভাইদ এন্দ রুল শান্নগনু, লোং লিভ মণিপুর, কংলৈপাক ইমানা য়াইফরে হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। চেকশিন মীফম অদুদা ৱাংখেম এ সী, অন্দ্রো এ সী অমসুং হৈরোক এ সীগী কাঙলূপ খূদিংগী মীওইশিং, ফাঞ্জাখোং, চন্দ্রখোং, ককময়াই, নিংঙেল, লৈরোংথেল, কেক্রু, মালোম, খোইরোম, বামোন লৈকাই, বিষ্ণুনহা, তোপ-চীংথা, লাইমনাই, ময়াই কৈথেল, ৱাংখেম, সিঙ্গা অমদি সিফাই লৈকাইদা লৈবা ক্লবশিং, ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বীশিং, য়াইরিপোক বজারদা দুকান ফম্বশিং অমদি পোৎফম ফম্বীশিংনা শরুক য়াখি।

কোকোমিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎলদুনা কিয়াম সিফাই মনিং লৈকাই, মমাং লৈকাই, লমদাইবুং লৈকাই, লাইথাঙ্গোল লৈকাই, খুন্দোংবম লৈকাই, অমুরৈজম লৈকাই, ঙাথেম লৈকাই, ক্ষেত্রিময়ুম লৈকাই, হৈবোং লৈকাই অমসুং খোং অহনবী লৈকাইগী ক্লবশিং, মৈরা পায়বীশিংনা পূন্না শীন্দুনা ঙসি কিয়াম সিফাই বাবু বজারদা মীয়াম্না চেকশিন মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ইন্দো-নাগা পিছ টোক্লা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি কায়হনবা য়ারোই, ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টগী ৱারোল মীয়ামদা খঙহল্লু, অথুবদা এসেম্ব্লি মীফম ফম্মু, চীংমী-তম্মী ইমা অমত্তগী মচানি হায়বা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখিবগা লোয়ননা এম এল এ ৬০গী ৱারোল চুম্মু, অমগা-অমগা তোখায় তাহন্নবা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী থৌশিল য়ানিংদে, লোং লিভ মণিপুর অমদি কংলৈপাক ইমানা য়াইফরে হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউখি।

ইন্দো-নাগা পিছ টোক্লা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়না হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা হৈরোক পার্ট-টু বজারদা ৱাকৎ মীফম ফম্বগা লোয়ননা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ব্লোক কোংগ্রেসকী থৌমীশিং অমদি ৱর্কর কয়ানা শরুক য়াদুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা ৱারোইশিন্না ৱাথোক্কী ৱাহৌদোক ওইহনগনু, লৈবাক কায়রকান্দা ফম থাদোক্কনি হায়বা য়ানিংদে, এসেম্ব্লি মীফম ফম্বা ঙমদ্রবদি এম এল এশিং ফম থাদোকউ, মণিপুরীশিং বলিগী হামেং নত্তে, তোখায় তাহন্নবগী থৌশিল য়ানিংদে, থাজবা পীবা য়াদে অশেংবা ৱারোল পাম্মী হায়বা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখিবগা লোয়ননা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

অমরোমদা, ঐচ ভি এস কন্সট্রক্সন মেটেরিয়লস প্রাইভেট লিমিটেদকী শিন মীশিংনা ঙসি পাৎসোই লমখাইদা হৌজিক ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী ৱারোইশিনদা মণিপুর শোকপা য়ারোই হায়দুনা কোকোমিনা চঙশিল্লিবা চেকশিন খোঙজং অসিদা মতেং পাংবা ওইনা মীফম অমা ফমখ্রে। অমুকোগী ভাইস প্রসিদেন্ট হেলেননা হায়খি, ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা মৈহৌরোলদগী নুংশি-চান্ননা, ঈং-চিক্না হিংমিন্নরিবা চীং অমদি তমগী মরী থদৎনবা চহী ২২গী মমাংদগী লাং থাক্তুনা লাক্লি।

অমরোমদা, সগোলমাং কম্যুনিটিদা কোকোমিগী মখাদা হৌজিক ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী ৱারোইশিন্দা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা ফুরুপ ৬কী মীওই চা কয়ানা শরুক য়াবা মীফম অদুদা কোকোমিগী মেম্বর, অমুকোগী জেনরেল সেক্রেটরি এল থোইথোই খুমননা হায়খি, ইন্দিয়াদা পুল্লুবদগী চহী ২২ হেন্না মীনাই নাইথাং ওইনা হিংলি। কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈখিনি। ঐখোয় অমত্তনি অপূনবগী পাঙ্গলতনা মণিপুর কনমিন্নরসি।

মোইরাং সব-দিভিজনগী মনুং চন্না পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা ৱিঙ্গর, টাটা মেজিক, আইরিস কয়ানা শরুক য়াদুনা ঙসি মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা চেকশিন খোঙচৎ চৎখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ক্লবস য়ুনিয়ন, অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ পুখাও জি পিনা শীন্দুনা সগোলমাং কম্যুনিটি হোল অমসুং য়ুনাইটেদ ক্লব কোওর্দিনেটিং কম্মিটি খুন্দ্রাকপম এরিয়ানা শীন্দুনা পাঙ্গেদা লৈবা লাইনিংথৌ কম্যুনিটি হোলদা চেকশিন মীফম ফমখ্রে।

চেকশিন মীফমশিং অদুদা শরুক য়াখিবা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা থল্লক্লিবা ৱাফমদা থাজবা লৈরে হায়রবদি মণিপুর লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা এম এল এ ৬০না নাগা পিছ টোকনা মণিপুর কায়হল্লোই হায়বগী থাজবা অদু মীয়ামদা পীবা ঙম্লগদ্রা। সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মণিপুর শোকহল্লোই হায়রগা ষ্টেট অসিগী সী এমদা অইবা চেরোল করিগীদমক পীদবনো। পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবা অসিনা ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাদবা ফীভম ওইহল্লে। মরম অসিনা মণিপুর কায়হল্লোই হায়রিবা ৱাফম অসি থাজবা ঙমদে। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবগীদমক শিবা কিদবা মীয়াম লৈরি। ওইরক্লিবা তং-তাদবা ফীভমশিং অসিদা পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্লগা পূন্না থেংনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চেকশিন মীফম অদুদা মীয়াম্না তোঙান-তোঙানবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

GAS NEWS
IMPHAL LPG SERVICE
Valid Unclaimed Receipt Holder
Stk -100
19 Kg. Stk : 150
5 kg Available
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.30am Onwards
Home Delivery Available
TANGLEI GAS OINAM
Booking Upto: 11/10/2019
Valid From: 09/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 10.00 am